# শিথরক্লবা লৈবাকসিগী মশান্নশিং হিঙ্গৎহন্ননবা স্কুলশিংদা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মশান্নশিং মরুওইনা খোখো অমসুং অতৈ মশান্নশিং শিথরক্লে। অদুগুম্বা মশান্নশিং অদু ফগৎহন্নবা স্কুল অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসনশিংনা থৌদাং লৌগদবনি হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা খুদিংগী মনকি বাদ থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

শান্ন-খোৎনবা হায়বসি অঙাংশিংগী পুন্সিগী শরুক অমনি। লৈরক খুল্লক খুদিংমক্তা হান্ননা শান্নরম্বা মশান্নশিং ঙসিদি মাঙশিল্লক্লে। অদুগুম্বা মশান্নাশিং অদু কালেন ছুটিগী মতমদা অখন্ননা অঙাংশিংনা শান্নবনি হায়না ৪৪ শুবা থা খুদিংগী পাঙথোকপা রেদিও প্রোগ্রামদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোরক্লি।

অঙাংশিংনা পুং কয়া মখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা শান্নবগী খুদোংচাবা লৈরম্মী। মখোয়না ইমুং-মনুংগা মরী লৈনবা মশান্না কয়া শান্নরম্মী। মমিং পল্লবদা- তেলঙ্গা পাইবা, খোখো, গিলি-দন্দা, লাতুনচিংবা মশান্না কয়া লায়না অমদি নুংঙাইনা শান্নরম্মী। অদুগুম্বা মশান্নাশিং অদু কন্যাকুমারীদগী কাশ্মির, কুটচতগী কামরুফ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী পুন্সিগী শরুক অমনি। মশান্নশিং অদু লমদম-লমদমগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা অঙাংশিংনা শান্নদুনা লাকখি। মশান্নশিং অদুনা অঙাংশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা অমসুং লৈবাক অসিগী ওইনা অপূনবা ফীভম অমা শাগৎহনবদা মতেং ওইগনি।

অখন্নবা মশান্না অমবু লম খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা শান্নে। অদুম ওইনমক মশান্না অদুদি চপ মান্নবা মওং অমনি হায়নসু লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি।

মহৌশাদগী লৈরক্লবা মশান্নাশিং অদুনা অঙাংশিংগী হকচাংগী ফীভম অমদি তৌবা ঙম্বশিং হেনগৎহল্লি। লোয়নন‌া করম তৌনা মশান্না অদুবু থোইবা ঙমগদগে হায়বা লোজিকেল ওইবা ৱাখল খন্থহল্লি। মদুতা নত্তনা পূক্লিং চঙবা অমসুং হৈ-শিংবা অমদি ইনর্জি লৈহনবগী থাক ৱাংখৎহল্লি। অদুগুম্বা মশান্নাশিং অদু শান্নবদা অঙাংশিংদা চহীগী খেন্নবা লৈতে। পীক্লিবা অঙাংশিং অদুগা লোয়নন‌া মপু-মবেলশিংগা শান্নবা য়াওবগী খুদোংচাবা লৈহল্লি। অহল ওইরবা অমসুং পীক্লিবা অঙাং ফাওবনা পুন্না শান্নবা য়াবা মশান্নশিং অদুনা লৈবাক অসিগী অপূনবা শক্তম শাগৎপদা মতেং ওইগনি। মশান্না কয়াদা খুন্নাই অমসুং এনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈনবা কয়া য়াওরি। মদুতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদসু মরী লৈনহল্লি। হৌজিক্কী মতম অসিদা স্কুল অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়ানা মমাঙঙৈগী মশান্নশিং অদু ফগৎহন্নবা থৌশিল পায়খৎপা তঙাইফদে হায়খি।

# ঙমখৈ লান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচমশিং শোকহন্দনবা বঙ্কর ৫,৫০০ অমসুং কম্যুনিটি হোল ২০০ শারগনি



জম্মু, মে ২৭ (এজেন্সী): পাকিস্টান্না শেল অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা মীচমশিং অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্ততা অন্দর গ্রাউন্দ বঙ্কর ৫৫০০ অমসুং মীচমশিংনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নরক্লবা মতুং লৈবা য়াবা কম্যুনিটি হোল ২০০ শারগনি হায়না ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না চৎলিবা ফাইনান্সিএল ইয়ার অসিদা অদুগুম্বা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১৫৩.৬০ কায়থোক্লে হায়না ওফিসল ওইবা পাউঅমনা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার সাহিদ ইকবাল চৌধরিনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা বঙ্কর অমসুং কম্যুনিটি বঙ্কর অমদি কম্যুনিটি হোলশিং শাননবগী মতাংদা খন্নখ্রে। ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা মীয়ামদা হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী সিজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক কয়া মায়োক্লদুনা লাকখ্রে।

লাইন ওফ কন্ট্রোলগী কিলোমিটর ১২০ শাংবা ঙমখৈ পরিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা বঙ্কর ৫,১৯৬ শাখ্রে। মখা তানা সুন্দরবানি, কিলা দ্রহল, নাওসেরা, দোঙ্গি, রাজৌরি, পঞ্জাগ্রেন অমসুং মনাজকোটনচিংবা মফমশিংদা বঙ্কর কয়া শাখ্রবনি। অদুম ওইনমক মীচমশিংনা মখা তানা খুদোংথিবা নংহন্দনবগীদমক বঙ্কর ৫,৫০০ শাননবা থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি। লাইন ওফ কন্ট্রোলদগী কিলোমিটর ৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীয়ামশিংদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগীদমক কম্যুনিটি বঙ্কর অমসুং কম্যুনিটি হোলশিং অদু শারগনি। ঙমখৈদা লৈবা ভবনশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই লিশিং ১০ রোম লৈবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈহনখ্রে। মখা তানা মীওই কয়া চঙজফম লৌবা য়াবা মফমশিং শেমগৎলগনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী লমজিং মখাদা ব্লোক লেবেলগী থাক্তা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলিবা অদুগী টেন্দর প্রোসেস পায়খৎপা হৌখ্রে। চয়োল অমগী মনুংদা থবক হৌবগা লোয়নন‌া থা ১ দা হায়রিবা বঙ্কর অমসুং কম্যুনিটি হোলশিং অদু শাবা লোইননবা পান্দম থল্লি। ঙমখৈ পরিংদগী কিলোমিটর ৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা ইমুং-মনুং পুন্না লৈবা য়াবা বঙ্করশিং শাননবগী থবক প্রোজেক্ট-১ গী মখাদা পায়খৎকনি। স্কুল অমসুং হোস্পিটাল অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংগী মনাক নকপা মফমশিংদা অকনবা মীৎয়েংগী মখাদা কম্যুনিটি বঙ্কর অমসুং হোলশিং শাগৎকনি। ইমুং-মনুংগী ওইবা বঙ্করশিং শাননবগী থবক মাঙজৌননা পায়খৎখ্রবনি। লৈঙাক্কী বিল্ডিং অমসুং পঞ্চায়ট ঘরশিং মীচমশিংগী ওইনা খুদোংচাদবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদা লৈননবা শেম-শাখ্রবনি।

রেভিন্যু ওফিসলশিংদা অনৌবা বঙ্কর অমসুং কম্যুনিটি হোল শাবগী থবক থৌরমশিং অদু শিন্নগনি। লোয়নন‌া শেম-শাবগী টেন্দরশিং অদু মীয়াম খঙনা পায়খৎকনি হায়রি।

রেভিন্যুগী অপূনবা টিম, রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্ট, পুলিস অমসুং পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অদু পায়খৎকনি।

বোর্দর গার্দ ফোর্সশিংগী মতেংগা লোয়নন‌া ফিজিকেল ভেরিফিকেসন অমসুং মোনিটর তৌবগী থবক চপ চানা পায়খৎলবা মতুং বঙ্কর অমসুং কম্যুনিটি হোলশিং অদু শাবগী থবক পায়খৎকনি। ৱাঙাঙলোয় অমনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ষ্টেট লেবেলগী থাক্তা শাগৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি। ওন লাইনদা শেমগৎ-শাগৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অদু চপ চানা য়েংশিন্নবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৭ কী দিসেম্বর থাদা সেন্টরনা ইন্দিভিজুয়েল অমসুং বঙ্কর ১৪৪৬০ শাগৎকনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। লাইন ওফ কন্ট্রোল অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ইন্টরনেসনল বোর্দরদা বঙ্করশিং অদু লুপা ক্রোর ৪১৫.৭৩ চঙনা শেম-শাগনি হায়নসু মতম অদুদা লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ঙমখৈ লান্না শেল অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক তোয়নন‌া থোক্লিবা অদু য়েংলগা ঙমখৈ নক্না লৈবা মীচমশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমসুং মখোয়গী পুন্সিদা অকি-অখঙ লৈহন্দনবা থৌশিল অদু পায়খৎপনি হায়রি। পাকিষ্টান্না সিজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ অমসুং সেল কাপশিল্লকপদা নুমীৎ খুদিংগী মীচম কয়া অৱাবা নংহল্লিবনি হায়রি।

# সিটিজনশিপ এম্মেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে



গুৱাহাতি, মে ২৭(এজেন্সী)ঃ গুৱাহাতিদা অমুবা ফিরাল পায়দুনা মীওই লিশিং কয়ানা সিটিজনশিপ এম্মেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ গী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

অসামদা বাংলাদেশতগী কাঙলোন কায়না চঙশিল্লকপা মীওইশিংগী ৱাথোক চাউনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা বি জে পিনা সিটিজনশিপ এম্মেন্দমেন্ট বিল অদু চৎনহন্নবা হোৎনরকপদগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং অদু চঙশিল্লকখিবনি। অসামদা কুমজা ১৯৭০ দগী হৌনা মীতোপ চঙশিল্লকপগী ৱাথোক লৈরকখ্রবনি। কুমজা ১৯৯৫ তা ফোরেন্নর ইস্যুগী মতাংদা অসাম একোর্দ সাইন তৌনখি। কুমজা ১৯৭১ গী মতুংদা চঙলকখিবা মীতোপশিং ময়ুমদা হলহনখিনবা য়ানখিবা ৱাফমসু লৈখ্রবনি।

বি জে পিনা লৈঙাক্না পুথোরক্লিবা সিটিজনশিপ এম্মেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ না বাংলাদেশ, পাকিস্টান অমসুং অফঘানিষ্টান্দা লৈবা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পর্সিস নৎত্রগা খৃষ্টিয়ানশিং লৈবাক অসিদা চহী ৬ লৈরক্লবদি সিটিজন ওইহনবগী ৱাফম য়াওরি। অৱাং নোংপোক লমদমদা বাংলাদেশতগী মীতোপ কয়া চঙশিল্লকপগী ৱাথোক মায়োক্নরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা সিটিজনশিপ এম্মেন্দমেন্ট বিল অদুনা হেন্না খোয়শাওনহল্লে হায়রি।অমিট শাহনা হিরম অদুবু নাথৈদুনা কোংগ্রেস পার্টিদা এটেক চথরদুনা হায়, অৱাং নোংপোক্তা কোংগ্রেস লৈঙাক মতম শাংনা লৈরম্বনা শেঞ্জা থুমজাগী চাং ৱাংখৎহল্লে। বি জে পি লৈঙাক অসিনা হৌজিক্তি অৱাং নোংপোক লমদমবু চাউখৎহন্নবা থৌশিল কয়া পায়খৎলি। অসামদা অহানবা ওইনা বি জে পি লৈঙাক লৈরে। চহী ১৫ চুপ্না কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রল্লবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা বি জে পিনা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। চৎলিবা চহী অসিদা মিজোরাম ষ্টেট এসেম্ব্লী মীখল পাঙথোক্লগনি। মীখল অদুদসু বি জে পিনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

# ট্যুটিকোরিন খোঙজংগী মতাংদা এম ঐচ এনা রিপোর্ট কৌখ্রে



ন্যু দিল্লী, মে ২৭(এজেন্সী)ঃ তামিলনাদুগী ট্যুটিকোরিন্দা ষ্ট্রেলাইট ইন্দষ্ট্রি লৈহন্দনবা খোঙজং চঙশিল্লক-খিবগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রি রাজনাথ সিংহনা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা ঈং-চিক্লা লৈনবা অমসুং ঈ-নাই তাবগী থৌদোক থোকহন্দনবা হায়জখ্রে।

হিথাংফম সিটি অদুদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি (এম ঐচ এ) না তামিলনাদু লৈঙাক্তা রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং অদুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা চপ চাবা রিপোর্ট পীরক্কদবনি হায়নসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা খঙহনখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, তামিলনাদুগী ট্যুটিকোরিন্দা খোঙজং চঙশিনবা মীওইশিংগী মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়া মাঙহনখিবগী পাউ তারে। অদুগুম্বা থৌনা ফরবা মীওইশিং অদুগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। লোয়নন‌া অশোক-অপন নংখ্রবশিং অদুসু অথুবা মতমদা ফগৎলক্লবা লাই খুরুম্নি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ট্যুটিকোরিন্দা লৈরিবা মীয়াম্না পূক্লিং ফাথবগা লোয়নন‌া তংদু লৈতাবা অমসুং ঈং-চিকপা পুন্সি মহিং অমদা লৈননবসু আপিল তৌরক্লি। ষ্ট্রেলাইট কোপর প্লান্ট অদুনা ট্যুটিকোরিন্দা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহল্লি হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামগী মথক্তা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১৩ গী পুন্সি মাঙখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং অদুদা করিগীদমক পুলিসনা নোংমৈ কাপখিবনো হায়বদু খঙহল্লক্ক‌বা তামিলনাদু লৈঙাক্তা হোম মিনিষ্ট্রিনা অকনবা য়াথং পীখ্রে হায়রি।

থা ৩ লোমগী মমাঙদগী লমদম অদোমগী মীয়াম্না ষ্ট্রেলাইন কোপর প্লান্ট অদু হোংদোকখিনবা নৎত্রগা মুথৎখিনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়নন‌া পুলিসতা নুং লংশিনবা অমসুং অকনবা মওংদা মুক্লবগী থৌদোক থোকপনা মরম ওইরগা পুলিসনা নোংমৈ কাপখিবনি হায়রি। পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দি এম কেনা তামিলনাদু শিনবা থুংনা ইরাই নুমীৎতা বন্দ কৌখিবসু লৈখ্রে হায়রি।


# XTRA-EDGE SCHOOL

GHARI AWANG LEIKAI, IMPHAL -795 140 (MANIPUR)

## ADMISSION OPENS FOR CLASS - XI SCIENCE FOR SESSION 2018-19

### CONGRATULATIONS FOR DIRECT ADMISSION TO XTRA-EDGE SCHOOL

1ST RANK HSLCE-2018

YAIPHABI MAYENGBAM

3RD RANK HSLCE-2018

ANGELA ATHOKPAM

5TH RANK HSLCE-2018

DELINA SOUBAM

7TH RANK HSLCE-2018

ANJALI KONJENGBAM

10TH RANK HSLCE-2018

TH. CHANU SHIMRAN

10TH RANK HSLCE-2018

PHUNDREIMAYUM ASHIMA

12TH RANK HSLCE-2018

CHANAMBAM MARSHAL

20TH RANK HSLCE-2018

KARONG RENIWAR KOM

22ND RANK HSLCE-2018

SWEETY LOKTONGBAM

23RD RANK HSLCE-2018

HUIDROM HELEN

24TH RANK HSLCE-2018

KLINSMAN LOUREMBAM

### ENTRANCE EXAMINATION

DATE : 29-05-2018

TIME : 12:30 P.M.

LAST DATE OF FORM SUBMISSION: 29-05-2018 Upto 11:00 a.m.

LAST DATE OF DIRECT ADMISSION 29-05-2018 Upto 10:30 a.m.

### FACILITIES AVAILABLE :

1. 75% and below 80% - Direct Admission
2. 80% and above upto 83% - Direct Free Admission, Book Grant, Monthly Tuition Fee Free, Monthly Scholarship of ₹. 1000/-
3. Above 83% and below 85% - Direct Free Admission, Book Grant, Monthly Tuition Fee Free, Uniform Fee Free, Bus Fee Free, Monthly Scholarship of ₹. 1500/-
4. Above 85% and below Position holder - Direct Free Admission, Hostel/Bus Fee Free, Book Grant, Monthly Scholarship of ₹. 1500/-, Tuition Fee Free, Uniform Fee Free
5. Position Holders - Direct Free Admission, Hostel/Bus Fee Free, Monthly Tuition Fee Free, Uniform Fee Free, Special Scholarship.

EDUCATION IN UNDERSTANDING

www.xtraedgeschool.com

HL-P/4454/28